# মধ্য প্রদেশকী স্কুলশিংদা রোল কৌবদা জয় হিন্দ হায়না খুম্নবা খঙহনখ্রে



ভোপাল, মে ১৬ (এজেন্সি):

মধ্য প্রদেশ লৈঙাক্না রোল কৌবদা য়েস মেদাম নৎত্রগা য়েস সার হায়বগী মহুত্তা শোয়দনমক জয় হিন্দ হায়না পাউখুম পীননবা মহৈরোয়শিংদা খঙহনখ্রে।

ষ্টেট এদ্যুকেসন বোর্দকী মতুংইন্না হান্না শীজিন্নরম্বা রোল কৌবদা খুম্বগী মওং অদু জয় হিন্দ হায়না হোংদোরকপনা মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন পোকহনবা ঙমগনি হায়রি।

কুমজা ২০১৭ কী নবেম্বর থাদা মধ্য প্রদেশ স্কুল এদ্যুকেসন মিনিষ্টর বিজয় সাহনা রোল কৌবা মতমদা য়েস, সার নৎত্রগা য়েস মেদাম হায়বনচিংবা পাউখুম পীবা অদুনা মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল পোকহনবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখি। লৈঙাক্না নৌনা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অদুনা ষ্টেট অদুদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুল লাখ ১.২২ দা লৈবা মহৈরোয়শিংদা চৎনহন্নবা হোৎনরি। প্রাইভেট স্কুলশিংগী ওইনদি স্কুল ওথোরিটিনা পান্নবদি থৌশিল অদুমক চৎনহনবা য়াগনি হায়রি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদা মধ্য প্রদেশকী সট্না দিষ্ট্রিক্তা অহানবা ওইনা য়েস সার নৎত্রগা য়েস মেদাম হায়বগী মহুত্তা জয় হিন্দ হায়না পাউখুম পীবগী চাংয়েং হৌদোক্লবা থৌশিল পায়খৎখি। চাংয়েং ওইনা পায়খৎপা হৌখিবা অদুগী মতুং মখা তানা মধ্য প্রদেশ লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা মহৈরোয়শিংনা রোল খুম্বদা জয় হিন্দ হায়না খুম্নবা থৌশিল অদু পায়খৎলকখিবনি।

লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা থৌশিল অদুবু কোংগ্রেসকী লুচিংবা কে কে মিশ্রানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে। লুচিংবা অদুনা হায়, মরৈবাক নুংশিবা হায়বসিদা নম্ফু চৎহনবা য়ারোই। মীওই মশা মশাদা তঙাইফদবা অমা ওইনা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন ফাওহন্নবা হোৎনগদবনি। অহানবা ওইনা মহৈ-মশিনগী লমদা মগুন লৈহন্নবা হোৎনগদবনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ওজা ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরিবদু হান্না য়েংশিনগদবনি হায়খি।

মহৈরোয়শিংদা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন ফাওহনবা হায়বদু খ্বাইদগী মরুওইবা অমনি। হিরম অসিদা অফবা মীৎয়েং অমা থমদুনা য়েংবা তঙাইফদে হায়না বি জে পিগী ৱাঙাঙলোয় রাহুল কোথারিনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রকখিবা মতুং স্কুল খুদিংমক্তা মচু অহুমগী ফিরাল য়ুংননবা অমসুং নেসনল এন্থেম শোয়দনা শক্লনবা থৌশিল হৌদোকখিবসু লৈখ্রবনি।

# ট্রেন তোংদুনা চৎপা নুপীশিং অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবগীদমক রেলৱেজনা পেনিক বট্টল হাপ্পনি

লখনৌ, মে ১৬ (এজেন্সী):

নোর্থ ইষ্টর্ন রেলৱেজনা ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপীশিংবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী শরুক অমা ওইনা নুমীদাংগী মতমদা নুপী পুলিস পার্সনেলশিং ট্রেনদা মথৌ তৌহন্নবা অমসুং পেনিক বট্টল হাপ্পনবা থৌরাং তৌরে হায়রি।



ট্রেনগী দবা খুদিংমক্তা পেনিক বট্টল হাপ্পুনা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু শিংনরকপা কয়াদগী ঙাকথোক্লবা মীৎয়েং থন্লি। চৎলিবা চহী অসিদা নুপী পুলিস পার্সনেলশিং নুমীদাংগী মতমদা সব-অলবান ট্রেনশিংদা মথৌ তৌহন্নবগীদমক অহেনবা নুপী পার্সনেলশিং লৌননবা থৌশিল পায়খৎলে হায়রি।

নোর্থইষ্টর্ন রেলৱেগী সঞ্জয় যাদবনা ফোঙদোকখিবদা, রেলৱে পুলিস ফোর্সকী শরুক অমা ওইনা নুপী পুলিস পার্সনেলশিং মশিং হেনগৎহন্দুনা নুপী অমসুং অঙাংশিংনা ট্রেন তোংদুনা চৎপদা খুদোংথিবা থোকহন্দনবা হোৎনরগনি হায়রি।

নুপী মথন্তা ট্রেন তোংদুনা চৎপদা খুদোংচাদবা অমা হেক থোক্লকপা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা পাউ পীননবগীদমক পেনিক বট্টল হাপ্পনবা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলকপনি। পেনিক বট্টল অদুনা গার্দ কোচ কয়া লিঙ্ক তৌনদুনা থুনা থবক পায়খৎপা ঙমগনি। পেনিক বট্টল অদু ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপীশিংনা লাইনা উগদবা অমদি ফংগদবা মফমদা হাপকনি। বোগ্গিশিংদা হাপ্লিবা ইলেক্ট্রিক স্বিজশিংগী হেক মথক্তা পেনিক বট্টল অদু হাপকনি। পেনিক বট্টল নল্লকপা মতমদা থুনা য়াংনা গার্দ কোচতা পাউ ফংবা ঙমগনি। পাউ হেক ফংবগা গার্দশিংনা বট্টল নল্লিবা মফম অদু খঙদোকপগা লোয়ননা মতেং পাংবা ঙমগনি হায়না যাদবনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিকমক্কী ওইনা ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপীশিংদা খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরকপা মতমদা হেল্প লাইন নম্বরদা ফোন তৌবা নৎত্রগা মেসেজ থাবগী তঙাইফদবা লৈরি। মদু নৎত্রগা অথু-অকায়গী মতমদা শীজিন্নবা চেন চিংবা তঙাইফদবা অমা ওইরি। অদুম ওইনমক হৌজিক লৈরিবা থৌশিল অদুনা খুদক্কী ওইনা খুদোংথিবা নংলবা মীওই অদুদা মতেং পাংবা য়াবগী খুদোংচাবদি হন্থনা লৈরি।

পেনিক বট্টল হাপ্পবদি খুদক্তা খুদোংথিবা থোক্লিবা মফম অদুদা গার্দশিংনা চঙশিনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈগনি। রেলৱেজনা ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী য়াইফ-থৌরাংগীদমক থা খুদিংগী কেলেন্দর শেমদুনা থন্লি। নুপী অঙাংশিংদা খুদোংথিবা থোক্লকপা মতমদা মতেং পাংননবা ওল ইন্দিয়া সিক্যুরিটি হেল্প লাইন হাংদোক্কুনা থমখ্রে। নুপা-নুপী খায়দনা খুদোংথিবা মায়োক্লরবদি হেল্প লাইন নম্বরদা ফোন তৌদুনা ৰাকৎপা য়াবগী খুদোংচাবা লৈহনখ্রে। অদুম ওইনমক অথুবা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং চঙশিল্লক্কুনা খুদোংথিবা অদুদগী কনবদা মতম চঙবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। করিগুম্বা পেনিক বট্টল হাপ্পবদি ট্রেন অদুদা য়াওরিবা গার্দ কোচশিংদা খুদক্তা পাউ ফংবগা লোয়ননা খুদোংথিবা অদুদগী কনবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপীশিংদা পামদবা থৌওং চথুরকপগী থৌদোক কয়া লৈখ্রবা মতুং রেলৱেজনা নুপীশিংবু অশোয়-অঙাম থোকহন্দনবা তোঙান তোঙানবা থৌশিল কয়া পায়খৎলক্লি।

সব-অর্বান কোচশিংদা সী সী টি ভি কেমেরা হাপ্পনবগী ৱাফমসু পুখৎখিবা লৈখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ট্রেন ষ্টেসনশিংদা সী সী টি ভি কেমেরাশিং ইনষ্টোল তৌখ্রে। ট্রেন তোংদুনা চৎলিবা নুপীশিংদা মরাল লংজবশিং রেলৱে এক্ট শেমদোক্কুনা হেন্না কনবা চৈরাক ফংহনবা তঙাইফদে। ট্রেন মনুংদা অরানবা তৌবা অমদি নুপী-অঙাংশিংদা অরানবা মীৎয়েং য়েংবশিংগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীননবা অখন্নবা মীৎয়েং থন্লি হায়নসু যাদবনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কর্নাটাকা এসেমব্লী মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট মশিং হন্থনা ফংখি অদুম ওইনমক ভোট সিয়রদি বি জে পিদগী চাদা ২ হেন্না ফংখি



ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সী):

কর্নাটাকা এসেমব্লী মীখলদা বি জে পিনা ফংখিবা সিট মশিংদগী ২৬ হন্থনা কোংগ্রেস পার্টিনা ফংখি। অদুম ওইনমক ভোট সিয়রদি বি জে পিনা ফংখিবা অদুদগী চাদা ২ হেনখি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী দেটা অমনা উৎথোরক্লি।

কর্নাটাকাগী কনষ্টিট্যুএন্সি ২২৪ দা মীখল পাঙথোকখিবগী মনুংদা ভোট মশিং থিবা লোইরকপা ফাওবদা বি জে পিনা খ্বাইদগী সিট মশিং য়াম্না ফংবা পার্টি ওইখি। অদুম ওইনমক কোংগ্রেসনা সিট মশিং হন্থনা ফংলবসু ভোট ফংবগী চাংদি বি জে পিদগী হেনখি। কর্নাটাকাদা হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অসিনা হৌখিবা মীখলশিংদা মীয়াম শরুক য়াবা চাংদগী খ্বাইদগী ৱাংখি। ভোটর চাদা ৭২.১৩ থোক্লক্কুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ভোট থাদনখি।

ওফিসল ওইবা রেকোর্দকী মতুংইন্না মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিংনা ফংলিবা ভোট মশিংগী চাং অদু বি জে পিনা ফংলিবা মশিং অদুদগী কোংগ্রেসনা ফংবা মশিংনা হেন্না লৈরি। বি জে পিনা মায় পাক্লিবা মফমশিং অদুদা শুপ্পতগী ভোট মশিং খরতমক হেনবা উরি। অদুগা কোংগ্রেসনা মায় পাকখিবা মফমশিংদগী ভোট মশিং চাউনা হেনবা উখি হায়রি। এসেমব্লীগী সিট ২২৪ গী মীখল পাঙথোকখিবদা বি জে পিনা খ্বাইদগী সিট মশিং য়াম্না ফংখি। বি জে পিনা চপ চাবা মেজোরিটি ফংগদবা সিট ৯ খক্তমক ৱাৎখি।

কোংগ্রেস পার্টিনা সিট মশিং হন্থনা ফংলবসু জে দি এসকা চুংশিন্নদুনা লৈঙাক পায়ননবগীদমক গভর্ণরদা মখোয়গী পাঙ্গল উৎপগী থৌওং চৎখি। কুমজা ২০১৩ দা ওইখিবা মীখলগী ফলদগী হন্দক পাঙথোক্লিবা মীখল অদুদনা কোংগ্রেস পার্টিগী মপাঙ্গল শোন্থরকপা উখি। মমাঙদা সিট মশিং য়াম্না ফংখি। হন্দক ফংলিবা সিট মশিং অসিনা চাদা ১৯.৯ হন্থরে হায়রি।

কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা মীখলদদি কোংগ্রেস পার্টিনা খনবা সিট মশিংদগী হেন্না ফংদুনা মায় পাকখি। মতম অদুদা বি জে পিদি নীংথিনা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। বি জে পিনা ষ্টেট অদুদা কোংগ্রেসনা ফংলিবা সিট মশিং য়ৌনা মতম শাংনা ফংবা ঙমদনা লাকখিবনি। অদুম ওইনমক হন্দক্কী মীখল অসিদদি বি জে পিনা কোংগ্রেস পার্টিদগী সিট মশিং হেন্দুনা সিঙ্গল লার্জেস ওইবা ঙমখি।

হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি য়েংলগা হায়বা য়ারিবদি মীয়াম্না কোংগ্রেস পামদ্রে। অদুম ওইনমক বি জে পিবু মখোয়গী অপাম্বা পার্টিনি হায়না লৌবসু ঙমদে হায়বনি। কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিনা কর্নাটাকাগী মরুওইবা ইস্যুশিং পুখৎপা ঙমদে। কর্নাটাকাদা লৈরিবা মরুওইবা ইস্যুশিং- লৌমীগী ইস্যু, থবক ফংদবা অমসুং শেঞ্জা-থুমজাগী চাং ৱাংখৎলকপা হায়বসিদা পার্টি অনীমক্না মীয়ামগী থাজবা লৌবা ঙমদে মরম অদুনা হন্দক্কী মীখল অসিদা হং এসেমব্লী লাকখিবনি হায়রি।

পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা চপ চাবা মেজোরিটি ফংবা ঙমদবনা চুংশিন্নবা লৈঙাক লাক্লগনি। ওইরিবা ফীভম অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা জে দি এসতা থাঙ্গৎতুনা মরুওইবা ফমশিং পীথোক্লবা শেম-শারি। লোয়ননা কোংগ্রেস য়াওবা লৈঙাক অমা ষ্টেট অদুদা লৈহন্নবা হোৎনরি। ফীভম অসিদা জে দি এসনা চপ চাবা ফীরেপ অমা লৌরকপা য়াই হায়বগী থাজবা থম্নরি হায়রি।

# ইলেক্সন কম্মিসন্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পোল্লিং বুথ ৫৬৮ দা অমুক হন্না ভোট থাদনহনখ্রে

কোলকাটা, মে ১৬ (এজেন্সি):

নিংথৌকাবা নুমীৎতা পাঙথোকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী পঞ্চায়ট মীখলদা চাউনা ঈরাং থোকখ্রবা মতুং ইলেক্সন কম্মিসন্না য়েংশিল্লকপগা লোয়ননা ঙসি পোল্লিং বুথ ৫৬৮ তা অমুক হন্না ভোট থাদনহনখ্রে।



মমাঙদা চাউনা ঈরাং থোকখিবা লৈবনা ঙসিগী ভোট থাদনবা অদুদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলগী দিষ্ট্রিক্ট ২০ গী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা পোল্লিং বুথশিংদা ঈ-নাই তাবগী ঈরাং থোকখ্রবা মতুং ইলেক্সন কম্মিসন্না পোল্লিং বুথ ৫৬৮ তা অমুক হন্না ভোট থাদনহনগনি হায়না লাউথোকখি। ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং পুলিসনা ভোট হনখিবা মফমশিংদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি। লোয়ননা অকি-অখঙ য়াওদবা ভোট অমা ওইহন্নবা হোৎনখি। ঙসি অয়ুক পুং ৭ তগী ভোট থাদনবা হৌখি। অদুগা মশিং থিবনা হয়েংদগী হৌগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি অমুক হন্না ভোট থাদনখিবা মফমশিং অদুদি, হুগ্লিদা পোল্লিং বুথ ১০, ৱেষ্ট মিট্নাপুরদা ২৮, কুচবেহারদা ৫২, মুর্সিদবাদতা ৬৩, নৈদাদা ৬০, নোর্থ২৪ পর্গানাদা ৫৯, মলদাদা ৫৫, উত্তর দিনাস্পুরদা ৭৩ অমসুং সাউথ ২৪ পর্গানাসদা ২৬ নি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী হন্দক পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ট মীখল অদুদা তোঙান তোঙানবা পার্টিগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মীওই ১২ গী পুন্সি মাঙখি। অদুগা ৪৩ না অশোক-অপন নংখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা পোল্লিং বুথ কয়াদা ঈরাং থোকখ্রবা মতুং মীরেপ কয়ানা ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসতা থোমজিল্লক্কুনা মীখল হন্ননবা তকশিনখি। ওপোজিসন পার্টিগী মতুংইন্না ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রিবা তৃণমুল কোংগ্রেসকী ৱার্করশিংনা অকি-অখঙ পোকহনবা এটেক কয়া চৎথরি। মখোয়না দিমোক্রেসি খোঙ্গাওনরে হায়না মরাল শিরি।

নাকল অমরোমদা, মমতা বেনর্জিগী পার্টিনা শিরক্লিবা মরাল অদু য়ুম্ফম য়াওদবনি। পার্টি অদুগী থৌমীশিংনা অকায়বা থবক তৌখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

# ন্যু দিল্লিদা উফুল পুবা নোংলৈ-নুংশিৎ মায়োক্লখ্রবা মতুং হেন্না কনবা মওংগী নোংলৈ-নুংশিৎ লাকপা য়ারি

ন্যু দিল্লি, মে ১৬ (এজেন্সি):

দিল্লিদা ঙসি অয়ুক উফুল পুবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লকখ্রবা মতুং ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)না লমদম অদুদা মখা তানা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ লাকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

জম্মু অমসুং কাশ্মির, হিমাচল প্রদেশ, উত্তরখন্দ অমদি দিল্লিদা পুংদা কিলোমিটর ৫০ দগী ৭০ ফাওবা য়ৌবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মায়োক্লবা য়াই হায়রি।

পঞ্জাব, হরিয়ানা, চান্দিগর, দিল্লি, উত্তর প্রদেশ অমসুং খা থংবা ইন্দিয়াগী শরুক খরদা লেন য়াওবা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎকনি। ৱেদর দিপার্টমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অসাম, মেঘলয়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমসুং ত্রিপুরাদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। অদুগা রোটক, পানিপট, অলৱার, বাগপাৎ, মিরুৎ অমসুং অলিগরনচিংবা মফমশিংদদি ব্রজ য়াওবা ময়াই ওইরপ কনবা নোং চুগনি হায়রি। ঙসি অয়ুক ফাওবদা হায়রিবা লমদমশিং অসিদা ময়াই ওইরপ্পা চাংদা নোং চুখি হায়রি।

ঙসি অয়ুক দিল্লিগী মফম কয়াদা উফুল পুবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লকপনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহনখি। উপাল কয়া মরু ফুকখি। লোয়ননা পৱার লাইন কয়াসু অমাঙ-অতা থোকহনখি। উফুল পুবা নোংলৈ-নুংশিৎ অদুনা দিল্লিদা শাবগী চাং খঙহন হন্থহনখি। দিল্লিগী শরুক কয়া উফুলনা কুপশিনখিবনা লম্বী চথোক-চৎশিন্দা চাউনা অকায়বা থোকহনখি। অকনবা উফুল পুবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লকপদা নত্তনা মফম কয়াদা অকনবা নোং চুখি। মদুনা মরম ওইরগা ফক্লাং কয়া নীংখায়হনখি।

ঙসি অয়ুক নোংলৈ-নুংশিৎনা দিল্লিদা মীওই অনী শিহনখি। অদুগা ১৮ না অশোক-অপন নংহনখি। অদুগা গাজিয়াবাদতনা মীওই অমগী পুন্সি মাঙহনখ্রে হায়রি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ হুমজিল্লকখি। ফীভম অদু মথংগী পুং ৪৮ দগী ৭২ ফাওবা থোইনা অহোংবা লৈরোই হায়না আই এম দিনা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রবনি। পুং ৭২ গী মতুংদা দিল্লিদা উফুল পুবা নোংলৈ-নুংশিৎ হুমজিল্লক্কুনা চাউনা খুদোংচাদবা থোকহনখি। নোংজুথা চঙশিল্লকপগা লোয়ননা অৱাং অমসুং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা নোংলৈ-নুংশিৎ অমসুং অকনবা নোং চুবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরি হায়রি।


## /খঙহঞ্জবা

**A Reputed Micro Finance** অমনা পায়খৎচগদবা স্কীম খরগী এজেন্ট ওইবীনিংবা মীওই খরা পামজৈ। খুদোংচাবা কয়াসু লৈগদবা এজেন্টশিং অসি ওইবীনিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা ঐখোয়গী ওফিসতগী অকুপ্পা মরোল মেগী তাং ২৫, ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা খঙবীবা য়াগনি।

***Office timing :*** 10:00 am to 4:30 pm.

*Sd/-* **BRANCH MANAGER**
**Lu-wang International**
**Khuyathong Imphal**
**Contact Nos. 9366086537 / 9366031754**

*HL-B/4631/17&18*

## URGENTLY REQUIRED DRIVER

Experienced & know High Tech Equiped Car is needed urgently from Imphal area. Salary Negotiable. Interest persons may contact ☎ **7005772648 / 8794784239.**

*HL-P/3320/17*

## / ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি

কৈশামথোং লোংজম লৈরক্তা লৈবা পোইন্ট 0.3 (38 x 39) খরা হেন্না চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পান্দীবা মীওইশিংনা মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক তৌবীরকউ।

*HL-P/1326/17*

***Contact*** ☎ **7085972346**

## /ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Hr. Sec. Examination (Class XII), bearing Roll No. 15395 of 2018 issued by COHSEM, on the way from Bishnupur to Ghari on 14/05/2018. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

***Sd/-* Wahengbam Bidyasundar Singh**
***Bishnupur Ward No. 6***
☎ **8837254928**

*HL-P/1321/17*

## /ওনরেবল এম এল এ, এল রামেশ্বর মৈতৈবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

Keirao Kendra গী মুসলিমশিংগীদমক রমজান থানা লাকপদা এম এল এগী মায়কৈদগী মুসলিমশিংগীদমক ভোট্টর অমমদা চেঙ কেজি ২/২ ফ্রিদা পীবিরকপগীদমক মুসলিম কম্মিটিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা ঃ* **Keirao Kendra Muslim Committee**

*HL-P/1325/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR IMPHAL WEST (CENTRAL)

***Ref:- Mut. Case No. 646/SDC/IW(C)*** ***Dt. 9/05/2018***

1. Nongmaithem Gomti Devi W/o (L) N. Thoiba Singh of Naoremthong Khulem Leikai.
2. Nongmaithem Kipgen S/o (L) N. Thoiba of –do–.
3. Kelvin Nongmaithem S/o (L) N. Thoiba of –do–.

*........ Petitioners*

-Vs-

(L) N. Thoiba Singh S/o (L) N. Bokul Singh of Naoremthong Khulem Leikai.

*.......O.P. Party*

### /NOTICE

Imphal, The 14/05/2018

Under the Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিগী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি মৃঃপাট্টাদার (L) N. Thoiba Singh পীং (L) N. Bokul Singh সাং Naoremthong Khulem Leikai গী মীংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 88-Lalambung গী অনৌবা পট্টা নং 335 অরিবা পট্টা নং 225 দাগ নং 35 অমসুং এরিয়ানা 0.0380 (হেক্তর) চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে, অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোংলবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চথুরগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Imphal West (Central)

*HL-P/1317/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR

***Ref:- Mut. Case No. 255/SDC/Bishnupur, 2018***

Meikam Ongbi Punima Devi W/o (Late) Sanayaima Singh of Joypur Khunou, Bishnupur Ward No. 10.

*-Petitioner*

-Vrs-

Moikam Sanamacha Singh S/o Nipamacha Singh of Joypur Khunou.

*-O.P.*

### /NOTICE

Bishnupur, the 16th May 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Moikam Sanamacha Singh S/o Nipamacha Singh of Joypur Khunou দা লৈবগী মীংদা পানবা পাট্টা নং 34/5 (অরিবা)। 26 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 171 গী 0.67 চাওবা তাওথবী অসি পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মীংদা নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
**Bishnupur**

*HL-P/1323/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG, THOUBAL DISTRICT

***Ref:- Mut. Case No. 38/SDC/L/2018***

Marem Bibi D/o (L) Karimuddin of Moijing Wangma Taba.

-Vrs-

1. Zahiruddin S/o (L) Chaoba of –do–.
2. Karimuddin S/o (L) –do– of –do–.
3. Kondumba S/o (L) –do– of –do–.
4. Nganbi D/o Zahiruddin of –do–.

### /NOTICE

Lilong, the 4th May, 2018

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি 1) Zahiruddin S/o (L) Chaoba of Moijing ৱাংমা তাবা 2) Karimuddin S/o (L) –do– of –do–. 3) Kondumba S/o (L) –do– of –do–. 4) Nganbi D/o Zahiruddin of –do–. দা লৈবগী মমীংদা এজমালি পানবা লিলোং তহশিল খুল নং ১০-মোইজিং অরিবা পাট্টা নং ১০/৮ অনৌবা পাট্টা ১০/৪০৯ দাগ নং ১৪ গী এরিয়া ০.৫৩০০ হেক্তর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদারশিং মৃতু ওইখ্রে। হায়রিবা লম অসিগী মনুংদগী Co-pattadar No. 2 (L) Md. Karimuddin S/o (L) Chaoba গী লম শরুক্তগী মহাক্কী মচানুপী Marem Bibi D/o (L) Karimuddin গী এরিয়া ০.১২৫৪ হেক্তর চাওবা লম মচেৎ অসি মহাক্কী মমীংদা নামা পানবিরো হায়না কোর্ট অসিদা এপ্লিকেসন তৌরক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা য়াওরবদি অইবা ওইনা লাক্লিবা তাং ১৮/০৫/২০১৮ ইং, ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরকপা য়াগনি। অপীবা মতম অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না মখা তাবা থবক চৎথরগনি। মতুংদা লাকপা ৰাকৎ লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Lilong, Thoubal District

*HL-P/3319/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 243/SDC/NTK/2018***

Thokchom Loidang Devi W/o Th. Bheigya Singh of Thinungei Awang Leikai.

*... Petitioner*

-Vs-

Late Thokchom Tomba Singh S/o (L) Th. Chaoba Singh of Thinungei.

*... Opponent*

### /NOTICE

Ningthoukhong, the 16th May, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 45-Thinungei Village গী Patta No. 636 (O) 200 (N) C.S. Dag No. 2062 an area 1.00 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মমৌ (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/০৫/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1327/17*

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

***Ref:- Mut. Case No. 241/SDC/NTK/2018***

Rajkumar Nabakanta Singh S/o (L) Muktasana Singh of Ningthoukhong Ward No. 8.

*... Petitioner*

-Vs-

Late Muktasana Rajkumar S/o (L) Angangjaosana of Ningthoukhong Kha.

*... Opponent*

### /NOTICE

Ningthoukhong, the 16th May, 2018

নোটিশ অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (B) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta No. 505 (N) C.S. Dag No. 2274 an area 0.075 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচা (পেটিস্নর) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি উক্তা কোর্টতা লাক্লিবা তাং ২৩/০৫/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্তা তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথুগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

*HL-P/1327/17*

## কবিরাজ অব্দুল হকপু থাগৎচরি

পাইলসগী প্রোব্লেমনা মরম ওইরগা শৌজদগী খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওবা, চাথৎলগা থুপ্পা শাবা, শৌজগী মনুং-মপান্দা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, কুইনা চংবা, শা-ঙা চারগা হেনবা, শৌজদা শারি-শারি তৌবা, পুক য়াম্না নুংঙাইতবা, খ্বাঙ নাবা, গ্যেষ্ট্রিক, চানিংবা পোক্তবা, পুন্নমক অসি ঙসিদি ৱাঙ্গৈাই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবীরিবা ওজা **অব্দুল হক কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৯৩৮৩২১৪৭৪৭** গী হিদাক চাজবদগী হৌজিক্তি য়াম্না নুংঙাইজরে। পাইলস মপুং ফানা ফজরে। ওজাবু ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু হায়না মপুদা থৌনিজরি।

*থাগৎচরিবা :* **KH. KUNJO SHARMA**
**Lalambung Pukhri Achouba Awang**

*HL-P/1107/17*